**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-04-2026)**

**গোবিন্দাস (এল)ঃ** গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি-ত্রোংলাউবীদা বোম পোকখায়বদা অঙাং অমা লৈখিদবা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং মশক খঙদোকবা হোৎনবদা মীয়ামনা মতেং পাংবিয়ু। হিংশাগী থবক চত্থবগী মহুৎতা লাইবক থিবা থৌদোক অদু মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা সরকারনা পায়খৎলকপা থবক খুদিংমক্তা অপনবা পীবিগনু।

ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ন্যু সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা ঙসি পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং অমদি থিংনুংগৈদা ঙরাং থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদু মীয়ামগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা ভাব তান্নদবদগী থোকখিবনি। রাজ্য সরকারনা সেক্যুরিতি ফোর্সতা লমদম অসিদগী নিশা অমদি খুৎলায় লল্লোনবশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংনবা হায়খিবগী ইরোইননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইয়ারপোর্টতগী ব্রাউন্দ সুগরনি চিংনবা মীওই অমা ফাখি। মীওই অদুনা হায়দোরকপদগী অসাম রাইফলসকী কাংবুনা ফিজম শেৎতুনা ক্যাক্তদা মখা তানা নিশাগী পোৎলম অমদি খুৎলায় ফাবা চৎপদা পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মন্ত্রিনা হায়-মীয়ামনা চপ চাবা ৱাফম খঙদনা ইরাং শাগৎপা অমদি হিংশাগী ওইবা থবক তৌবীগনু। ঙরাংগী থৌদোক অদুদা মীয়ামনা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমা ফাজিনদুনা থমখি। অদুবু, মফম অদুগী নহারোলশিংগী মতেংগা লোয়ননা মনিপুর পুলিস কম্মান্দোনা মখোয়বু মফম অদুদগী পুথোরকখি। মীয়ামনা মুলহৌবা নোংমৈ ৮ সু পুলিসনা লৌখৎলে।

**খোঙজং(এল)ঃ** ত্রোংলাউবীগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্লুনা ঙসি

তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামনা লন্থী থিংদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিং, মরুওইনা অয়াংপলি লন্থীগী নাক য়েৎতা লৈবা মীয়ামনা লন্থী থিংদুনা খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং অসিনা মরম ওইরগা অচৎ অওক তৌরিবশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা পীখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিং মীয়ামনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা ত্রোংলাউবী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোকখি। অথুবা মতমদা চেন্নবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংদা তকশিনখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মফম কয়াদসু মীয়ামনা লন্থী থিংদুনা খোঙজং চংশিনখি।

জিরি য়ুনাইটেদ কমিতিনা শিনদুনা জিরিবামগী বাবুপারাদা ত্রোংলাউবী থৌদোক য়ানিংদবা ফোংবগী ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে। মীওই চা কয়ানা শরুক য়াখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মিলিটরি ক্রেক দাউন্দ তৌগদবনি, ষ্টেট ফোর্সশিং মনিং তমা থবক তৌহনগদবনি, শান্তি অমসুং অচুম্বা পান্মী হায়বনচিংবা প্লে কার্ড কয়া পায়খি।

**দ্রগ (এল)ঃ** ইম্ফাল ইয়ারপোর্ট অসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক পুথোক পুশিন তৌবগী মফম অমা ওইরব্রা হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হংলি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মহাকা হায়-ঙরাং সি.আই.এস.এফ, অসাম রাইফলস অমসুং মনিপুর ইয়ারপোর্ট পুলিসকী অপুনবা টিম অমনা ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতগী ব্রাউন্দ সুগরনি হায়না চিংনবা পোৎলম কিলোগ্রাম তরুক হেন্না ফাখি। লোয়ননা বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তা খুমন থোংখোঙদগী মীওই অমসু ফাখি। মদুগী মমাংদা, চহি অসিগী ফেব্রুৱারী ২৭ তসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফমদুদগী হেরোইন কিলোগ্রাম মরি হেন্না ফাখি অমসুং মধ্য প্রদ্রেসকী মীওই অনি মখোয়না ফ্লাইট তোংলমদাইদা ফাখি।

শ্রী বিরেননা হায়-অসিগুম্বা পোৎলমশিং ফারিবা অসিগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সপু থাগৎফম থোকই অদুবু ইয়ারপোর্ট অসিদা হঞ্জিন-হঞ্জিন ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং নারোলদা পুথোকবা হোৎনরিবা অসি খুদক্তা মপুং ফানা থিজিনফম থোকই।

**ওফিসার(এল)ঃ** থবক্তগী পোখাখ্রবা আই.এ.এস. ওফিসার-এন. জয় সিংহবু রাজ্য অসিগী ইলেক্সন কম্মিসনার ওইনা ফম পুনবা ঙসি সরকারনা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

রাজ্য সরকারগী লো অমদি লেজিসলেটিব এফিয়ার্স বিভাগনা থোকপা ওদর অমগী মতুং ইন্না সংবিধানগী আর্টিকল টু হন্দ্রো ফোরটি থ্রি (কে) গী মতুং ইন্না শ্রী জয়বু চৎলিবা চহি অসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা ফম অসি পায়রগনি হায়রি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা হায়রি-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিদা পাল্লিবা সরকারনা হকচিন্না লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

ঙসি মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী মীহুৎ কাংবু অমগা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালাগা লোক ভবনদা উন্নদুনা দল অসিগী মায়কৈদগী মেমোরেন্দম অমা পীশিনবা লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ইবোবীনা হায়-ড্রোংলাউবীদা থোকখিবা থৌদোক অদু থম্মোয় শোকিংঙাই ওই। অদুবু, বোম পোকখায়দুনা অঙাং অনি লৈখিদবগী পাউ ফংবগা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈরম্লবদি সি.আর.পি.এফনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অহুম লৈখিদবগী থৌদোক অদু থোক্লমদবা য়াই।

অমরোমদা, ঙরাং নিংথৌখোং অমদি থিনুংগৈদা থোকখিবা থৌদোক অদু পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী থোকখিবনি হায়বা ৱাফম অসি তরাইনা লৌবা য়ারোই।

শান্তি রক্সাগী থবক অসি রাজ্য সরকারগী মথৌনি। থোক্লিবা থৌদোক খুদিংমক্কী দায়ত্ব রাজ্য সরকারনা পুফম থোকই হায়খি। উন্নবা অদুদা রাজ্যপালনসু কেন্দ্র সরকারগা পাউ ফাওনদুনা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি ফগৎলক বা পায়খৎপা য়াবা থবক পায়খৎকনি হায়নসু রাজ্যপালনা থাজবা পীরকখি হায়রি।

**সিএম(এল)ঃ** নোংজ্ থা লাক্ত্রিঙৈদা কনক্রিক পেভমেন্ট থাদুনা লম্বী শেম্বগী থবক লোয়শিন্নবগী পান্দমদা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা রাজ্যগী তোঙান তোঙানবা এম.এল.এশিং লোয়ননা লম্বী শেম্বগী থবক পায়রিবা মরী লৈনবা বিভাগশিংগী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা হৌজিক পায়খৎলিবা লম্বী শেম্বগী থবক কদাই ফাওবা খুমাং চাউশিল্লিবগে হায়বদু মীফম অদুদা পুথোক্তুনা খন্নখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-থবক খরদি লোয়শিনবা য়াবা তাঙ্কক য়ৌদুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদসু খুদোংচাহনবা ঙমলে। মহাকা হায়-শেল থুমগী থবক থৌরম হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা হায়বসি য়ামা মরুওই। মসিনা মনিপুরদা লল্লোন ইতিক তৌবদা পুকিং থৌগৎকনি অমসুং রাজ্য শিংনবা থুংনা পুন্না চাউখৎমীন্নবদা খুমাং চাউশিনহনগনি।

অমরোমদা, কাংচুপকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা ৱারী শাখ্রে। নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং নীংথিনা ফংহনবা য়াওনা আই.দি.পিশিংনা থল্লকখিবা ৱাকৎশিংদা সরকারনা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎকনি হায়না সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা

ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-দিপ্যুতি কম্মিস্নারদা হীরম অসিগী মতাংদা খঙহন্দুনা মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা মখোয়গী ফংফম থোকপশিং মতম চানা ফংহন্নবা খঙহনখি।

**বিমোল (এল)ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-বি. সঞ্জয়কুমারনা হায়রি-আইন কায়না লৈশিল্লিবা মীরৈবাক মচাশিং খন্দোক্তুনা মখোয়বু মশা মশাগী লৈবাক্তা থিনদোকবা হোৎনবা হায়বসি লেপ্তুনা চথরিবা আইনগী ওইবা থবকনি।

লোক সভা এম.পি. অঙোম বিমোল অকোইজমনা গৃহ রাজ্য মন্ত্রিদা ইবা ৱারোল অমগী পাউখুমদা শ্রী সঞ্জয় কুমারনা হায়-ইমিগ্রেসন এন্দ ফোরেন্নরস এক্ট-২০২৫ না আইন কায়না লৈবা মীওইশিং খঙদোকবা কেন্দ্র সরকারদা শক্তি পীরি। মসিগীসু মথক্তা মখোয়গী চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংবা অমসুং লৈবাকসিদা আইন কায়না লৈশিল্লিবা মীওইশিং মশা মশাগী মরমদা থিনদোকখিনবা শক্তি অদু মনিপুর য়াওনা অতৈ রাজ্য অমসুং যুনিয়ন টেরিটোরি পুমমক্তা পীরি। কেন্দ্র সরকারনা মতম মতমগী ওইনা রাজ্য সরকার অমসুং যুনিয়ন টেরিটোরি পুমমক্তা আইন কায়না চংল্লকপা মীওইশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা খঙহন্দুনা লাক্লি হায়খি।

**সেনাপতি(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা নোংজ় থা লাক্ত্রিঙৈ মাংওইননা দিষ্ট্রিক্ট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতি (দি.দি.এম.এ)-সেনাপতিগী ওইবা মীফম অমা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমসুং দি.দি.এম.এগী চেয়ারপার্স্ন ওইরিবা-মামোনি দোলেনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

থা অসিগী ৯ দগী হৌরগা নুমিৎ মঙানি চুপা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা জিলা অদুদা নোংজ় থা লাকপা মতমদা থেংনগদবা খুদোংচাদবশিং মতৌ করমা মতম চানা ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

মীফম অদুদা দি.দি.এম.এ-সেনাপতিগী চেয়ারপার্স্না নোংজ় থাগা মরী

লৈনবা খুদোংচাদবশিং অথুবা মতমদা ঙাকথোকবা অমদি মসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং মাংজোননা শেম শাননবা মরী লৈনবা পি.ডব্লিয়ু.দি., পি.এম.জে.এস.ৱাই, এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলনচিংবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসিএলশিংদা খঙহনখি। মখোয়দা নেসনেল হায়ৱেগী নাক-য়েৎতা লৈবা ইরম-নালাশিং অথুবা মতমদা শেংদোকপগা লোয়ননা লম্বীদা লৈরিবা পোর্টহোলশিং শেমজিন্নবা পাউতাক পীখি। জিলা অসিদা ফাওরিবা নেসনেল হায়ৱেগা নকনা লৈবা এস.দি.ওশিংদা মতম চানা লম্বীশিং অসি য়েংশিনবগা লোয়ননা লম্বীদা লম খোপচিল্লকপশিংসু তকথোকবা খঙহনখি। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী চরাং চীং খুল্লেনদা শা-ষনদা নাগনবা ফুদ এন্দ মাউট দিজিজগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবা নোংমগী ওইবা থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু নেসনেল এনিম্যেল দিজিস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিস-চান্দেলনা শিনবনি।

**কন্দোল (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী হান্নগী অধ্যক্ষ-ডা: মনিরুদ্দিন সৈখনা লৈখিদবদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা সিংহনা অৱাবা ফোংদোক্লি। ৱারোল অমদা শ্রী সৈত্যবরতানা হায়-লুচিংবা অসিনা লৈখিদবা অসি মনিপুরগী ওইনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা মাংজবা অমনি।

মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) গী খাঙবোক কমিতিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মোইরাংথেম নবাচন্দ্র সিংহনা লৈখিদবদা দল অসিনা অৱাবা ফোংদোক্লি।

**বিহারঃ** বি.জে.পি লুচিংবা সমরাত চৌধরি ঙসি বিহারগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি

ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। রাজ্য অসিদা বি.জে.পি লুচিংবা অমনা মুখ্য মন্ত্রি ওইবা মহাকা অহানবা ওইরে। ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা পাটনাগী লোক ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাজ্যপাল লেফটনেন্ট জেনেরেল (রিটয়ার্দ) সয়েদ অতা হাসনেননা মহাকপু থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

শ্রী সমরাত চৌধরিগা লোয়ননা বিজয় কুমার চৌধরি অমসুং বিজয় প্রসাদ যাদবসু মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখি।

নিংশিংবা য়াই, শ্রী সমরাত চৌধরিনা ঙরাং লোক ভবনদা রাজ্যপালগা উন্নদুনা অনৌবা সরকার শেমবা দাবী তৌখিবনি। মদুগী মমাংদা এন.দি.এ লেজিসলেচর পার্তিগী মীফমনা য়েৎনবা লৈতনা মহাকপু লুচিংবা খনখি।

**রিজিজ্ ঃ** পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্‌না হায়রি-সংসদকী অখন্নবা মীফমদা সরকারনা পুথোক্কদৌরিবা ৱিমেন রিজার্ভেসন বিল অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী খুদিংমক্কী য়াইফনবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী রাজ্যশিং অমসুং লৈরিবা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা থুংহনবা ঙম্লগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবদা মন্ত্রিনা হায়-দল অমত্তনা বিল অসিগী মতাংদা অয়েৎপা পীরক্তবগা লোয়ননা হয়েংদগী হৌদুনা থাংজ নুমিৎ ফাওবা পাঙথোক্কদবা সংসদকী অখন্নবা মীফমদা পুথোক্কনি।

**ফুটবোল ঃ** কিয়ামগৈ য়ুথ প্রাইয়োনর ক্লব (কে.ৱাই.পি.সি) না শিনদুনা চৎথরিবা অন্দর ফিফতি বোইজ ফুটবোল ট্রোফি-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-ত্রিপল ই কিয়ামগৈ অমদি পি.এফ.এ. ৱাংগোই মায় পাকখ্রে।

কিয়ামগৈ হৈবোংমখোঙ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ত্রিপল ই কিয়ামগৈনা এস.বি.এফ.সি. চজিংবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোল ঃ** রাজ্য অসিগী ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা বাবিনা গ্রুপ ৬৫ শুবা

সার চুরাচান্দ সিংহ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট-২০২৫-২৬ কী মেটচশিং য়ৈথোক্লে হায়না ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

**স্পোর্টসঃ** পাউমাই ভেটরান স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনবা অনিরকশুবা পাউমাই ভেটরান টুর্নামেন্ট ঙসিদগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী এসত্রো তর্ব গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ফুটবোল অমসুং ভোল্লিবোলদা টিম ১০-১০ না শরুক য়ারি।

**ক্রিকেটঃ** ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিগ ক্রিকেটতা মেটচ অমদা রোয়েল চেল্লেঞ্জরস বেঙ্গলুরু অমদি লক্ষনৌ সুপর জাইন্স, বঙ্গলুরুগী এম.চিনাশ্বামী ষ্টেদিয়মদা শান্নবা হৌখ্রে।